## তরেৎশুবা পুরৈলোম্বা হেন্দবোল টুর্নামেন্ট

# নুপাগীদা সাইদোল (বি), নুপীগীদা পুলিস মায় পাকখ্রে





*সাইদোলগী মায়োক্তা গোল চন্নবা পুলিসকী শান্নরোই অমনা গোল এটেম্প তৌখিবা (ওই), এম আর সি অমদি সাইদোল (বি)না শান্নখিবা মেটচ*



HANDBALL

*ইম্ফাল, মার্চ ৩১ঃ* চজিং য়ুঠ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন লিলোং (সাইদোল)না শিন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দদা নুপীগী টিম ৫ অমদি নুপাগী টিম ৮ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৭ শুপা পুরৈলোম্বা হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা য়ুম্বু ওইরিবা সাইদোল লিলোং চজিংবু গোল ১৬–১২ দা অমদি নুপাগী গ্রুপ (বি)গী মেটচতা সাইদোলনা এম আর সি মাইরেনখোংবু গোল ১৯–১০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমদি সাইদোলনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মণিপুর পুলিসকী গোলশিং অদু এন সুনিবালানা ৯, এম দিম্পলনা ৩, সি ঐচ লক্ষ্মীনা ২, ও সন্ধ্যিয়ারানি অমদি কে এস ঐচ অপাবীনা অমমম চনখিবনি।

সাইদোলগী গোলশিং অদুনা আই রোনিবালানা ৬, এস রোমানা ৩, এস পুর্ণিমানা ২ অমদি এ বিজেন্তিনা অমা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা সাইদোল (বি) অমদি এম আর সি মাইরেনখোংনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী সাইদোলগী গোলশিং অদু ধোজোনা ৬, জিমিকটরনা ৪, রতন, হেনরি অমদি এন বোবীনা ২ / ২, কে ঐচ ইঙোচা, এস ঐচ সম্যুয়েল অমদি বোইনাওনা অমমম চনখিবনি।

এম আর সিগী গোলশিং অদুনা কে ঐচ বুংচানা ৪, এ নাওবনা ২, এ বিজয়, এস শ্যামসন, কে ঐচ নাওবা অমদি এ সঞ্জয়না অমমম চনখিবনি।

হয়েং অয়ুক্কী পুং ৭ তা নুপীগী ওইনা সিটিজন্স ক্লবকা এল দব্লিউ ব্রাই সিগা অমদি পুং ৮ দা নুপাগী ওইনা সাইদোল (এ)গা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকা শান্নগনি।

নুংথিলগী পুং ২ দা নুপীগী ওইনা ব্রাই এল কেগা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকা অমদি পুং ৩ দা নুপাগী ওইনা এম আর সিগা সিটিজন্স ক্লবকা শান্নগনি।

## ইংলিশ প্রিমিয়র লীগ

# লিভরপুলনা টোটেনহামবু থোইরগা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে

**EPL STANDINGS**

| TEAM | MP | W | D | L | P |
|---|---|---|---|---|---|
| Liverpool | 32 | 22 | 5 | 5 | 71 |
| Chelsea | 32 | 21 | 6 | 5 | 69 |
| City | 30 | 21 | 4 | 5 | 67 |
| Arsenal | 32 | 19 | 7 | 6 | 64 |
| Everton | 31 | 17 | 9 | 5 | 60 |



*লিভরপুলগী স্বারেজনা গোল চনবগী হরাওবা ফোঙদোকখিবা*

*লিভরপুল, মার্চ ৩১ঃ* টোটেনহাম হোটস্পুরনা দিফেন্সিপ প্লে তৌখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা লিভরপুলনা গোল ৪–০ দা মায়থীবা পীরগা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে। হৌজিক ফাওবদা লিভর পুলনা মেটচ ৩২ শান্নখিবদা ২২ মায় পাক্লগা পুন্না পোইন্ট ৭১ ফংদুনা অহানবদা, চেলসিনা মেটচ ৩২ শান্নখিবদা ২১ মায় পাক্লগা পোইন্ট ৬৯ ফংদুনা অনীশুবদা অমদি মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মেটচ ৩০ শান্নখিবদা ২১ মায় পাক্লগা পুন্না পোইন্ট ৬৭ ফংদুনল অহুমশুবদা লৈরি।

লিভরপুল অমদি টোটেনহাম হোটস্পুরনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ২৫ শুবা মিনিটতা লিভর পুলগী লুব্রিজ স্বারেজনা গোল অমা চনখিবগা লোয়ননা সিজন অসিগী ২৯ শুবা গোল ওইখ্রে। টোটেনহামগী য়ুনেস কাবোলনা আউন গোল অমা অদুগা ফিলিপি কোটিনহো অমদি জোর্দান এন্দরসননা ৫৫ অমসুং ৭৫ শুবা মিনিটতা গোল অমমমগা চন্দুনা ৪–০ দা মায় পাকখিবনি। লিভরপুলনা প্রিমিয়র লীগকী মকোক্তা লৈবগা লোয়ননা লীগ অসিগী টাইতল লৌবা য়াবগী চাওনা থাজবা লৈরি অমদি চহী ২৪ মতুংদগী ঙসি ফাওবা লিভরপুলনা টাইতল লৌবা ঙমদনা লাক্লিবনি।

নাকল অমরোমদা লীগ অসিগী শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ইভরটননা ফুলহাম্বু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাকপগী পোইন্ট ৩ অসি ফংখিবগা লোয়ননা পোইন্ট টেবলগী টোপ ফোরদা লৈরিবা আর্সিনেলদগী শুপ্নতগী পোইন্ট ৪ খক শোত্থনা লৈরি।

মেটচকী ৫০ শুবা মিনিটতা ফুলহামগী গোলকিপর দেবিদ ষ্টাকদেলনা আউন গোল অমা চঞ্জদুনা ইভরটাননা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। ফুলহামগী অস্কান দিজাঘানা মেটচকী ৭১ শুবা মিনিটতা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১–১ দা লৈনহনখি। ইভরটনগী সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা কেবিন মিরালেস অমদি ষ্টেবন সাইস্মিথনা গোল অমমমগা হাপচিন্দুনা ৩–১ দা মায় পাকহনখি।



*সবিষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা ইভরটনগী কেভি মিরালাসনা গোল চনবগী হরাওবা ফোঙদোকখিবা*



*অহানবা ভৈগ্যচন্দ্র মেমোরিয়েল ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী রন্নর্স অপ ওইখ্রবা এস এস য়ু টিম্না ট্রোফি অমদি শেলগী মনা লৌখিবা।*

# বার্চেলোনাগী গোলকিপর ভিক্টর বালদেস শোকপদগী থা তরেৎ শান্নবা লেপ্লগনি



*বার্চেলোনা, মার্চ ৩১ঃ* বার্চেলোনাগী গোলকিপর ভিক্টর বালদেশ মহাক্কী য়েৎথংবা খুউদা শোকপনা মরম ওইরগা থা তরেৎ শান্নবা লেপ্পনবা মহাকপু লায়েংলিবা ডাক্টর অলরিস বোইলিস অমদি রিচার্দ ট্রুনানা খঙহনখ্রে।

জর্মিনিগী অস্বক্তা ঙসি অয়ুক ভিক্টরগী অশোকপা অদুগীদমক সর্জরি তৌখ্রে। মহাকপু লায়েংলিবা ডাক্টর অনী অসিনা ফোঙদোকখিবদা মনুংগী লীগামেন্টতা শোকপনা মরম ওইরগা অনাবা অসি ফগৎনবা হোৎনবতা তঙাইফদনা থা তরেৎলোম চঙগদবনা মরম ওইদুনা শান্নদনবা খঙহনখিবনি। গোলকিপর বালেদেশ মমাংগী চয়োলদা শেলতাভিগোগা শান্নখিবা মেটচ অদুদগী শোকপা হৌখি লোয়ননা বার্চেলোনা মেটচ অদু গোল ৩–০ দা মায়থীবসু নংখি।

চহী ৩২ শুরবা বালদেশ ব্রাজিলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রার্ল্ড কপতা স্পেনগী ওইনা শরুক য়াগদ্রা য়ারোইদ্রা হাবসু হৌজিক চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি। বালদেশ অফাও অফাওবা ক্লব মোনাকো অমদি মেঞ্চেষ্টর সিটিনচিংবশিংগী প্লেয়র ওইরম্মী। মহাক্কী বার্চেলোনাগা লৈনরিবা কন্ট্রেক্টকী মতম অসি চহী অসিগী জুনতা লোয়বগা লোয়ননা মহাক্না ফরকপা মতমদা ক্লব অসিদা লৈখিদ্রা হায়বা ঙমদনা লৈরি। পনবা য়াবদি মমাং চয়োলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা স্পেনগী গোলকিপর ভিক্টর বালদেশনা ক্লব অসি থাদোকনিংবগী মতসু ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

### অহানবা টেন্নিস লীগ হৌরগনি

*ইম্ফাল, মার্চ ৩১ঃ* এল বি ইনষ্টিট্যুট, বিরেন অয়েকপম, এ কে সিংহ অমদি বোবি রাইনোগী স্পোন্সরসিপ মখাদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা এপ্রিল ৭ তগী লম্ফেলদা লৈবা টেন্নিস এসোসিয়েসন অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা এপ্রিল ২ ফাওবগী মনুংদা এন্ট্রি ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না টুর্নামেন্ট দিরেক্টর এল প্রদিপ সিংহনা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

### মণিপুর রন্নর্স অপ তাহৌরে


*ইম্ফাল, মার্চ ৩১ঃ* চেনাইদা মার্চ ২৪ দগী হৌদুনা চথরকখিবা ৪ শুবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র মেন্স হোক্কী নেস্নেল চেম্পিয়নসিপ দিভিজন (বি) ২০১৪ দা মণিপুর রন্নর্স অপ তাহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুর ষ্টিল ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদকী মখুৎতা গোল ৫–১ দা চাওনা মায়থীহৌখিবনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুর ফাইনেল চঙখিবনা মরম ওইদুনা দিভিজন (এ)দা প্রমোসন তৌখ্রে।

### নুপীগী রেগুদা মণিপুরনা ব্রিন্নর ওইখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৩১ঃ* বিহারগী পটনাদা চথরিবা জুনিয়র নেস্নেল ছেপাকতাক্রো চেম্পিয়নসিপ্তা মণিপুরগী নুপী টিম্না উরিষাবু সেট ২–০ দা মায়থীবা পীরগা রেগু ইভেন্টকী ব্রিন্নর ওইখ্রে। নুপাগী রেগু ফাইনেলদা মণিপুর নাগালেন্দগী মখুৎতা ২–০ মায়থীখ্রে।









Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*